HUEIYEN LANPAO

# সাউথ কোরিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক মরি য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা খনখ্রে




**য়ুএন, জুন ৭ (এজেন্সী):**
সাউথ কোরিয়া, অলজেরিয়া, গয়ানা, সিয়ারা লোনি অমসুং স্লোভেনিয়া লৈবাক মঙা অসি চহী অনীগী টর্ম অমগী ওইনা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা খনখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নৌনা ইলেক্ট তৌখিবা মেম্বরশিং অসি কুমজা ২০২৪ গী জনুৱারী ১ দগী মখোয়গী অনৌবা রেস্পোন্সিবিলিটিশিং পায়বা হৌগনি অমসুং কুমজা ২০২৫ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা মথৌ তৌগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়া, অলজেরিয়া, গয়ানা, সিয়ারা লোনি লম্বা য়াওদনা নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং খনখি। স্লোভেনিয়া অমসুং বেলারসনা ইষ্টর্ন য়ুরোপকী সিট অমগীদমক লম্বা তৌনখি। নৌনা খল্লবা মেম্বর মঙা অসিনা মতম লোইশিল্লক্লবা নন-পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং অলবেনিয়া, ব্রাজিল, গাবোন, ঘানা অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী মহুৎ শিনগনি।

কেন্দিদেট অমনা তিল্লিবা য়ুএন মেম্বর ষ্টেট অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অনীগী সপোর্ট ফঙগদবনি অমসুং য়ুএন জেনরেল এসেম্ব্লি সেসনদা ভোট লৌনবদা মায় পাক্লবা মতুংদা নন-সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা নন-পার্মেনেন্টগী সিট ফঙগনি। কেন্দিদেসিগী মতাংদা কন্টেষ্ট তৌরক্লবসু নত্ত্রগা তৌরক্ত্রবসু অসুম্না লৈবাক অদু সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী নন-পার্মেনেন্ট সিট ফঙবা য়াই।

মসিনা হায়রিবদি মেম্বর ষ্টেট ১৯৩ মক শরুক য়াদুনা ভোটিং তৌবা তারবদি সিট অমা ফঙনবগীদমক মেম্বর ষ্টেট অমনা য়ামদ্রবদা পোজিটিব ভোট ১২৯ ফঙবা মথৌ তাই হায়বসিনি। সেসনদা য়াওদবা মেম্বর ষ্টেটশিংগী ভোটিংদা য়াওদে হায়না লৌই। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভোট লৌনখিবা অদুদা গয়ানানা মদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বর ষ্টেট পুম্নমক্কী সপোর্ট ফংখি। লৈবাক অসিনা পুন্না ভোট ১৯১ ফঙখিবনি।

হৌজিক জেনরেল এসেম্ব্লিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সাবা কোরোসিনা লাউথোরকখিবা রিজল্টশিংগী মতুং ইন্না সিয়ারা লোনিনা ভোট ১৮৮ ফঙখি, অলজেরিয়ানা ভোট ১৮৪ অমসুং রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা ভোট ১৮০ ফঙখি। স্লোবেনিয়ানা অহানবা রাউন্দমক্তদা ভোট ১৫৩ ফঙবা ঙমখি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী লম্বা তৌনখিবা বেলারসনা শুপ্পগী ভোট ৩৮ ফঙখি। নৌনা খল্লবা মেম্বর মঙামক মমাঙদা সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা সর্ভ তৌখ্রবনি। অলজেরিয়ানা কাউন্সিলগী নন পার্মেনেন্ট মেম্বর অমা ওইনা অহুল্লক সর্ভ তৌখ্রে। গয়ানা অমসুং রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা কাউন্সিলদা অনীরক অনীরক সর্ভ তৌখ্রে। সিয়ারা লোনি অমসুং স্লোবেনিয়াদা কাউন্সিলদা অমুরক্তমক সর্ভ তৌখ্রে।

সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৫ লৈবগী মনুংদা মঙানা পার্মেনেন্ট মেম্বরশিংনি। কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর মঙা অদুদি বৃটেন, চাইনা, ফ্রান্স, রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট অসিনি। কাউন্সিলগী নন-পার্মেনেন্ট সিট তরা জিওগ্রাফিক রিজনগী মতুং ইন্না এলোকেসন পী অমসুং চহী খুদিংগী সিট মঙা অনৌবশিংনা মহুৎ শীল্লি।

নৌনা ইলেক্ট তৌবা লৈবাকশিং অদুনা অফ্রিকা, এসিয়া-পেসিফিক, লেটিন অমেরিকা অমসুং কেরিবিন অমদি ইষ্টর্ন য়ুরোপিয়ন গ্রুপ রিপ্রজেন্ট তৌরি। নোংচুপ থংবা য়ুরোপকী গ্রুপ অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদি চহী অসিগী ওইনা কন্টেষ্ট তৌদে। মসি মালটা অমসুং স্বিটজরলেন্দনা হৌজিক পায়রিবা সিট অনী ২০২৪ দা মতম লোইগদবা ওইবদগীনি হায়রি।

# পুটিননা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট থুগায়নবা হোৎনরকপা য়াই: য়ুক্রেন



**লন্দন, জুন ৭ (এজেন্সী):**
য়ুক্রেনগী অচৌবা দাম অমসুং হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক প্লান্ট অমদা এটেক তৌদুনা অমাঙ অতা থোকহন্দুনা খের্সোন রিজনদা পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোকহনবগা লোয়ননা শাথিরবা হ্যুমেনিটেরিয়ন দিজাষ্টর অমা লাকহনখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মান্নবা মওংদা থুগায়নবা খুজিল থৌরাং পায়খৎলকপা য়াই হায়না য়ুক্রেননা ৱার্নিং তৌখ্রে।

দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়রিবদি পরিং নাইনা পোকখায়হন্দুনা রসিয়ানা পায়শিল্লিবা লমদা লৈরিবা দনিপর তুরেল পরিংদা লৈবা য়াম্না মরু ওইরিবা নোবা কাকোবকা দাম মচেৎ অমা কায়খিবগা লোয়ননা খের্সোনগী মফম কয়াদা শাথিরবা ঈশিং ঈচাও থোকহনখি। দাম কায়বা অদুনা মরম ওইদুনা টাউন ২৪ রোম ঈশিং থুমজিনখি। লমদম অদুগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা ফুটেজতা ভিলেজশিং ঈশিংনা পুমথুম থুমজিনবা অমদি য়ুম কয়া চেন্থখিবগী শক্তমশিং উবা ফংখি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা রসিয়াবু পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙন্বা ইনভাইরনমেন্টেল বোম অমা পোকখায়হল্লে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা রসিয়াগী থৌওং অদুনা সেটলমেন্ট ৮০ ফাওবা ঈশিং মনুংদা লৈখিবা য়াই হায়খি। রসিয়াগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা ৱারেপ অমদি খোঙথাংশিং লৌখৎনবা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা মালেমদা আপিল তৌখি।

জেলেন্সকিনা হায়, ক্রাইম অসিনা মীওইবদা য়াম্না চাওবা থ্রেট অমা পীরি অমসুং মীয়ামগী পুন্সি অমদি ইনভাইরনমেন্টগী ওইবা খুদোংচাদবা ফিভম কয়া লাকহল্লগনি। য়ুএস সেক্যুরিটি ওফিসলশিংনসু ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা কয়া থোক্লগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

চৈরকসিদা ক্রেমলিননা দামগী ব্লাষ্ট অদুগা মরী লৈননা য়ুক্রেনবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা মদু কিভনা অচৌবা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা পায়খৎলকপা মতমদা মালেম পুম্বগী পুক্লিং মদুদগী নাথৈহনবা য়ানবা চথরকপা থৌওংনি। তৌইগুম্বসুং জেলেন্সকিগী টোপ সেক্যুরিটি ওফিসল ওলেক্সি দনিলোবনা রসিয়াগী এলিগেসনশিং অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা পুটিনগী মথংগী ষ্টেপ অদু কাখোবকাদগী দনিপর তুরেল ফাওবদা শুপ্পগী মাইল ৮০ দমক লাপ্পা লৈরিবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টদা এটেক তৌবা অসিনা ওইবা য়াই হায়খি।

# কানাদাদা খুৎ থিংজিল্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওই: পিএম ট্রুদোগী এন এস এ



**টৌরোন্টৌ, জুন ৭ (এজেন্সী):**
কানাদাদা খুৎ থিংজিল্লিবা মালেমগী মরু ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া অসিসু অমনি হায়না কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদোগী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোদি থোমাসনা ফোঙদোকখ্রে।

কনাদিয়ন গ্লোবেল এফিয়র্স ইন্সটিট্যুটনা শীল লাংদুনা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদা জোদি থোমাসনা হায়খি, মদুদি মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপা অমসুং ইকনোমিক সেক্যুরিটিগী ৱাফম অসি লাকপা মতমদা ঐহাক্না ষ্টেট এক্টর অমসুং নন-ষ্টেট প্রোক্সি কয়া অমা পনবা মথৌ তারকই। মসিদা রসিয়া, ইরান অমসুং ইন্দিয়া য়াওই। ইস্যুশিং অসিদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা লৈরিবা এক্টর অদুদি চাইনানি হায়বসিদা কনামত্তনা ঙক্লিংঙাই ওইরোই হায়না থোমাসনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিস কলম্বীয়াগী প্রোফেসর বিনা নজিবুল্লানা টৌরোন্টৌ ষ্টারদা হায়খি, মদুদি থোমাসনা ইন্দিয়াবু অতৈ লৈবাক অহুমগা লোয়ননা লিষ্টতা য়াওহনখিবসি ঙক্লিংঙাইনি। মসিনা ইন্দিয়া-কানাদাগী মরীদা শোকহল্লকপা য়াই। লিবরেলশিংনা ইন্দিয়াবু মখোয়গী ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিগী শরুক অমনি অমসুং শেলথুম অমসুং সাইন্টিফিক মরি হেন্না ফগৎহন্নবা প্রাইওরিটি ওইনা খন্নফম থোকই হায়না লাউথোকখিবা মতুং থা খরা কান্নরগা এন এস এনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

নাজিবুল্লানা হায়খি, মদুদি কানাদাগা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরী য়াম্না থুনা ফগৎলক্লি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না দাইসপোরাগী পোলিটিক্স অমসুং কানাদাগী লোকেল ইস্যুশিংগী মনুংদা খরবু ফেক্টশিংনি হায়বসি খঙদবা তারবদি ঐখোয়দা অশোয়বা কয়া লাকপা য়াই।

ষ্টারগী মতুং ইন্না ফেদরেল এজেন্সিশিংনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াবু মমিং তোইনা পন্দবীদা কানাদাদা লৈবাক অসিনা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা মওংদা ইথিল পীরি হায়না নাকোয়ননা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

# বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী আর্মিশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবা আপিল তৌখ্রে

**ধাকা, জুন ৭ (এজেন্সী):**
বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা মহাক্কী লৈবাক অমসুং ইন্দিয়াগী আর্মদ ফোর্সেসশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি লৈবাক-পোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ পান্দেনা বাংলাদেশ পার্লিয়ামেন্টদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা মহাক্না উনখিবা মতমদা ফোঙদোকখিবনি।

জাতিয়া সংসটতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পান্দেগা উন্নখিবা অদুদা হাসিনানা হায়খি, মদুদি য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা পীনরিবা কো ওপরেসন অমসুং কোল্লাবোরেসন হেন্না চেৎশিলহনগদবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী আর্মি চীফ জেনরেল মনোজ পান্দে নুমিৎ নীনিগী বাংলাদেশ খোঙচৎতা ধাকাদা লৈরিবনি। মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা বাংলাদেশ ইন্সটিট্যুট ওফ পিছ সপোর্ট ওপরেসন ট্রেনিং (বি আই পি এস ও টি) লিংখৎপগী মতাংদা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর হাসিনানা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীনা খুদোংচাবা অসি নাকল অনীমক্কী ৱেলফ্যেরগীদমক্তা এক্তিভিটিশিং একচেঞ্জ তৌনবদা শীজিন্নবা য়াগনি। কুমজা ১৯৭১ গী বাংলাদেশকী নিংতম লান মনুংদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট, আর্মি অমসুং মসিগী মীয়াম্না লৌখিবা থৌদাং অমসুং পীখিবা সপোর্ট নীংশিংবগা লোয়ননা হাসিনানা তৌবীমল খঙবসু উৎখি।

পিএমনা হায়খি, মদুদি লাইরবা হায়বসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী খ্বাইদগী মরু ওইবা য়েক্লবনি। লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নুনা হোৎনদুনা লাইরবা মুখৎকদবনি।

মীটিং অদুদা ইন্দিয়ন আর্মি চীফকী মায়কৈদগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈবা কো ওপরেসন অমসুং কোল্লাবোরেসন শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লি হায়খি।

# পেন্সন রিফোর্ম ষ্ট্রাইক্তা মী য়াম্না য়াওখিদ্রে

**পেরিস, জুন ৭ (এজেন্সী):**
ফ্রেন্স গভর্ণমেন্টগী ৱাথোক ওইরবা পেন্সন রিফোর্মগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা জেনরেল মুবিলাইজেসনদা শরুক য়াননবা শুপ্পগী মীওই ২৮১,০০০ দমক থোক্লকখি হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না মদু হৌখিবা জনুৱারীদগী পেন্সন রিফোর্মগী থৌরাংগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা মী খ্বাইদগী মশিং য়ামদবা প্রোটেষ্ট ওইখি। অদুম ওইনমক ফ্রান্সকী খ্বাইদগী চাওবা য়ুনিয়ন ওইরিবা জেনরেল কনফিদরেসন ওফ লেবর (সি জি টি) গী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং লৈবাক পুম্বগী ওইনা ৯০০,০০০ হেনখি। প্রোটেষ্ট পুম্নমক ইংনা চিক্লা পাঙথোকখ্রবসু কেপিটেল পেরিসতা মীওই ২৮ ফাখি।

জেনরেল মোবিলাইজেসন অদু অককবা সেক্তর খরনা হৌজিক মখা তানা পাক্তক্লনা শৌগৎত্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

No. MU 3-M-Tech/18(B)/99 Date: 07-06-2023

PROGRAMME FOR M.TECH 2ND SEMESTER EXAM 2023 (June)

EXAM CENTRE: MIT, M.U. CAMPUS Morning 9.00 a.m. to 12.00 Noon

| DATE/DAY | Subject Code & details |
|---|---|
| 27-06-2023 (Tuesday) | PG/CE/T/211 : Core Subject –II Advanced Soil Mechanics |
| | PG/ECE 121 : Embedded System |
| 30-06-2023 (Friday) | PG/CE/T/212 : Core Subject –III Optimization Techniques in Civil Engineering |
| | PG/ECE 122 : RF Engineering |
| 03-07-2023 (Monday) | ELECTIVE SUBJECT –IV (DEPARTMENTAL)<br>1. PG/CE/T/213A : Advanced Concrete Technology<br>2. PG/CE/T/213B : Rock Mechanics and Tunneling<br>3. PG/CE/T/213C : Ground Water Engineering<br>4. PG/CE/T/213D : Traffic Flow Modelling and Simulation<br>5. PG/CE/T/213F : Environmental System Modelling |
| | PG/ECE 123: Elective-IV<br>1. (MVLSI) Analog VLSI Design<br>2. (CESP) Adaptive Signal processing |
| 05-07-2023 (Wednesday) | Elective Subject-V(Departmental)<br>1. PG/CE/T/214A : Earthquake Resistant design of Structures<br>2. PG/CE/T/214B : Ground Improvement Techniques<br>3. PG/CE/T/214C : Advanced Wastewater Treatment<br>4. PG/CE/T/214D : Pavement Analysis and Design |
| | PG/ECE 124 : Elective –V<br>1. Digital Signal Processing(MVLSI)<br>2. Wireless Sensor Network(CESP) |
| 07-07-2023 (Friday) | ELECTIVE SUBJECT –VI (DEPARTMENTAL)<br>1. PG/CE/T/215A : Bridge engineering<br>2. PG/CE/T/215B :Advanced Foundation Engineering<br>3. PG/CE/T/215C : Highway Construction Practices and Management<br>4. PG/CE/T/215D : Water Resources Systems Planning and Management<br>5. PG/CE/T/215E : Municipal Solid Waste Management |
| | PG/ECE 125 : Elective –VI<br>1. Low Power VLSI Design(MVLSI)<br>2. Digital Image processing & Pattern Recognition(CESP) |

*Last date of Examination Form fills up: **20-06-2023***
***Mode of examination form submission and fee payment: SAMARTH PORTAL***
*(Online mode at www.manipuruniv.ac.in)*
*Note:*
1. *Downloaded application form and examination fee receipt should be submitted on or before **23-06-2023**. to exam@mitimphal.in or Exam section MIT, MU Campus.*
2. *Hard Copy of Admit card should be submitted to the exam section, MIT, M.U Campus before the examination.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations
HL-B/8172/8

# ফিনলেন্দনা রসিয়ন এম্বেসিগী এমপ্লোয়ি ৯ তান্থোক্লগনি

**হেলসিনকি, জুন ৭ (এজেন্সী):**
হেলসিনকিদা লৈরিবা রসিয়ন এম্বেসিদা থবক তৌবা মীওই মাপন তান্থোক্নবা প্রসিদেন্ট সাউলি নিনিষ্টো অমসুং ফোরেন এন্দ সেক্যুরিটি পোলিসিগী মিনিষ্ট্রিয়েল কম্মিটিনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ফিনিস গভর্ণমেন্টনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন এম্বেসিগী এমপ্লোয়িশিং অদু ভিএনা কনভেন্সন ওন দিপ্লোমেটিক রিলেসন্স থুগায়বা থবক থৌওং কয়া চথুরম্বগীদমক্তা ফিনলেন্দদগী তান্থোক্কদৌরিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী দিপার্টমেন্ট ফোর রসিয়া, ইষ্টর্ন য়ুরোপ এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়াগী দিরেক্টর জেনরেল মর্জা লিবালানা লোকেল মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি অথুবা মতমদা এমপ্লোয়িশিং অদু এক্সপেল তৌরগনি। তৌইগুম্বসুং লিবালানা মখোয়বু তান্থোকপগী মতমগী অহেনবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

ৱারেপ অদু ফিনিস সেক্যুরিটি ইন্টলিজেন্স সার্ভিস (এস য়ু পি ও) গী এসেসমেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখিবা ওইবনা এমপ্লোয়িশিং অদুগী দ্যুটিশিংগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু হায়বদা মহাক্না য়াখিদে। হেলসিনকিদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী ষ্টাফ মশিং ১১২ নি।

এস য়ু পি ওগী দিপ্যুটি দিরেক্তর অমা ওইরিবা টিমু ট্রুনেনগী মতুং ইন্না এমপ্লোয়ি মাপনদি দিপ্লোমেটশিং ওইনা উহল্লগা থবক তৌবা ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংনি। ফিনলেন্দনা নাটোদা য়াওরকপগা লোয়ননা রসিয়ানা ফিনলেন্দদগী অরোন অথুপকী পাউশিং মখা তানা লৌনবা হোৎনরকপা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি।

ফিনলেন্দ অমসুং রসিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী লেপ্তুনা শোকচিল্লক্লিঙৈদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অসি লাকপনি।

# চহী তরেৎকী মতুংদা ইরাননা সাউদি অরাবিয়াদা অমুক হন্না এম্বেসি হাংখ্রে



**রিয়াদ, জুন ৭ (এজেন্সী):**
চহী তরেৎ থিংজিল্লুরবা মতুংদা ইরাননা সাউদি অরাবিয়াদা অমুক হন্না এম্বেসি হাংখ্রে। মদু চাইনানা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা দিল অমগী মখাদা লৈবাক অনীনা বাই লেটরেল মরী মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুং থা অহুল্লোম কান্নরগা হাংদোক্লিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াগী কেপিটেল রিয়াদতা পাঙথোকখিবা এম্বেসি হাংবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইরানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অলি রেজা বিকদেলিনা থৌরম অদু সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরীগী ওইনদি য়াম্না মরু ওই হায়খি।

বিকদেলিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি সাউদি অরাবিয়াদা ইরানগী ফিরাল অমুক হন্না চিংখৎপা অমসুং ইরানদসু সাউদি অরাবিয়াগী ফিরাল অমুক হন্না চিংখৎপা অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা পীনরিবা কো ওপরেসন অনৌবা তাঙ্কক অমদা লাক্লগনি।

দিপ্লোমেসি হায়বসিনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা অমগা ৱাখল তান্নবা, তংদু লৈতাবা অমসুং মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী অমগা অমগা পাউ ফাওননবা অমদি ৱারী শান্নবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বেনি।

ইরানিয়ন ওফিসল অসিনা মহাক্কী লৈবাক্না মতম চুপ্পদা অফবা য়ুমথংনবশিং কোইনবগী প্রিন্সিপলশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগা মরী হেন্না চেৎশিলহনবা পাম্মী হায়বা ৱাফম থমখি।

ইরানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না শেলথুমগী মরী অমসুং অমনা অমদা ইনভেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎহনবা অসিনা লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা অমগা হেন্না নকশিলহনবগা লোয়ননা লমদম অদুদা মরা তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম লাকহনগনি।

হৌখিবা মার্চতা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মীহুৎশিংনা বৈজিংদা উন্নদুনা দিপ্লোমেটিক মরী মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবা অমদি মখোয়গী এম্বেসিশিং অমসুং মিশনশিং অমুক হন্না হাংদোকপগী ৱাফম য়ানখিবনি।

# নোর্থ ষ্ট্রিম গ্যাস লিঙ্কতা এটেক তৌবগী থৌরাং থা অহুমগী মমাঙদা খঙখি

**ৱাশিংতন, জুন ৭ (এজেন্সী):**
ঈশিং মনুংদা পোকখায়হন্দুনা নোর্থ ষ্ট্রিম পাইপ লাইন মথৌ লেপহন্দ্রিঙৈ মনুংদা থা অহুমগী মাঙওইননা রসিয়াদগী জমর্নি ফাওবগী নেচরেল গ্যাস লিঙ্ক ওইরিবা নোর্থ ষ্ট্রিম পাইপ লাইন অসিদা এটেক তৌননবা য়ুক্রেনগী খুজিল থৌরাং অমগী ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসননা ফঙখি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

য়ুরোপিয়ন ইন্টলিজেন্স সার্ভিস অমনা সি আই এদা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা দাইভরশিংগী ওইবা টিম মচা অমা শীজিন্নরগা এটেক অমা পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌখি। দাইভরশিংগী টিম অদুনা য়ুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী কম্মান্দর ইন চীফতা হকচিন্ননা রিপোর্ট পীখি।

ৱাশিংতন পোষ্টকী রিপোর্ট পল্লদুনা গর্দিয়ননা হায়রিবদি মীওই তরুক্কী টিম অদুনা জেনরেল বলেরি জালুস্নিদা হকথেংননা রিপোর্ট তৌখি। মদু প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ওপরেসন অদুবু খঙদনবগীদমক্তনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ক্লেম তৌখি।

রসিয়া অমসুং জমর্নিগী মরক্তা বালটিক সীদা লৈরিবা নোর্থ ষ্ট্রিম ১ অমসুং নোর্থ ষ্ট্রিম ২ নেচরেল গ্যাস পাইপ লাইনশিংগী মায়োক্তা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা চথখিবা এটেকশিং অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিকসু য়েৎনদুনা লৈরিবনি।

# পোলিটিসিয়ন ফাজিনবগা মরী লৈননা য়েমেনি গভর্ণমেন্টনা হাউথিশিংগা ৱারী শানরোই হায়খ্রে

**অদেন, জুন ৭ (এজেন্সী):**
য়ুএননা ৱাতেমদুনা হাউথি মিলিসিয়াগা প্রিজনর একচেঞ্জ তৌনবা নিগোসিএসন চথবদা য়াওরোই হায়না য়েমেনি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রিজনর একচেঞ্জকা মরী লৈননা ৱারী শানবদা গভর্ণমেন্ট দেলিগেসনগী হেদ ওইরিবা হাদি হাইটকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রিবদি গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি হাউথি মিলিসিয়ানা মখোয়না দিটেন তৌখিবা পোলিটিসিয়ন মোহমদ কহাটান কদায়দা লৈবগে হায়বদু তাকথোকউ য়াদবা অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং অমদি গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা মহাক্না উনগে হায়বদা য়াদবগী পাউখুম ওইনা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

হাইটনা ত্বিটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি ইমুং মনুং অমদি অতৈ গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংবু পোলিটিসিয়ন অদুগা উন্নহন্দ্রিবমখৈ ঐখোয়না প্রিজনর একচেঞ্জকা মরী লৈননা মতুং তাবদা ৱারী শানবদা য়াওরোই।

হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রোগ্রেস লৈহন্নবা য়ুএন এনভোইগী ওফিসনা হাউথি মিলিসিয়াদা শোয়দনা প্রেসর পীগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। মুস্লিম ব্রদর হুদতা এফিলিএট তৌবা ইস্লা পার্টিগী মশক নাইবা য়েমেনগী পোলিটিসিয়ন অমা ওইরিবা কহাতান চহী নিপানগী মমাঙদা হাউথিশিংনা কেপিটেল সানাদগী নমদুনা ফাখিবনি।

য়ুএন, লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংগা লোয়ননা কাটনগী ইমুংনা মহাকপু উন্নহন্নবা হঞ্জিন হঞ্জিননা আপিল তৌবদা হাউথিশিংনা হৌজিক ফাওবা য়াদ্রিবনি। হাউথিশিংগী মায়কৈদগী কো ওপরেসন পীবা অমসুং ট্রান্সপরেন্সি ৱাৎপনা মরম ওইদুনা কাটন হৌজিক কষ্টদিদা শিখ্রা হায়বগী অকিবা ফাওবা হেনগৎলক্লে।

য়ুএননা ৱাতেমদুনা হৌখিবা মার্চতা চথখিবা নিগোসিএসনদা য়ানবা পুরক্তুনা এপ্রিলদা প্রিজনর ৯০০ রোম থাদোকখিবনি। মদু চহী নিপান হেনবগী মমাঙদা য়েমেনগী সিভিল ৱার হৌখিবদগী লান শোক্লরিবা নাকলশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা প্রিজনর একচেঞ্জ ওইখি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

No. MU 3-M-Tech/18(B)/100 Date: 07-06-2023

PROGRAMME FOR M.TECH 4th SEMESTER EXAM. 2023 (June)

*EXAM CENTRE: Departmental*

| Sl. No | Subject Code | Subject details | Date | Time |
|---|---|---|---|---|
| 1 | PG/CE/TH2/411<br>PG/ECE/241<br>PG/CS/241 | Thesis-(Part-II) | 19-07-2023 To 21-07-2023 | 11:00 a.m. to 12.00 p.m. |
| 2. | PG/CE/TH3/421<br>PG/ECE/242<br>PG/CS/242 | Seminar & Viva Voice on Thesis | | 1:00 p.m to 1.30 p.m. |
| 3. | PG/CE/S/412<br>PG/ECE/243<br>PG/CS/243 | Grand Viva | | 2:00 p. m |

*Last date of Examination Form fill up: **20-06-2023***
***Mode of examination form submission and fee payment: SAMARTH PORTAL***
*(Online mode at www.manipuruniv.ac.in)*
*Note:*
3. *Downloaded application form and examination fee receipt should be submitted on or before **23-06-2023**. to exam@mitimphal.in or Exam section MIT, MU Campus.*
4. *Hard Copy of Admit card should be submitted to the exam section, MIT, M.U Campus before the examination.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations
HL-B/8172/8